টেলিকোমস জাইঅন্ট ৱাৱেগী টোপ এগজিক্যুটিব ফাবগা কনাদাগী গবর্ণমেন্টকা মরী লৈনদে : কনাদিয়ন পি এম ত্রুদো

ওট্টাৱা, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
চাইনাগী টেলিকোমস জাইঅন্ট ৱাৱেগী টোপ এগজিক্যুটিব অমা ফাবগী থৌদোক্তা মহাক্কী গবর্ণমেন্টগা মরী লৈনদে হায়না কনাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ত্রুদোনা হায়রি।

ৱাৱেগী চীফ ফাইনান্সিএল ওফিসর অমসুং কম্পেনি অসিগী ফাউন্দরগী মচানুপী মেঙ ৱানঝৌ যু এসনা এক্সত্রাদিসনগীদমক হায়জরকপদগী কনাদিয়ন ওথোরিটিশিংনা ভেনকুভর এয়রপোর্টতা ফাজিন্দুনা থমখি। থৌওং অদুনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনৈ হায়রদুনা মহাকপু থাদোক্লবা চাইনানা তকশিনখ্রে। কম্পেনিগী চীফ ফাইনান্সিএল ওফিসরদা শিরিবা মরালশিং অদুসু ফোঙদোকপা লৈত্রি। ৱাৱেগী মায়কৈদগী মেঙনা অরানবা তৌখিবগী মতাংদা কম্পেনিনা খঙদে হায়না ফোঙদোকখি। মহাক ইরাই নুমীৎতা বেল হিয়ারিং চথগদবনি। যু এস-চাইনা মরিগী অরুবা তাঙ্কক অমদা মরুওইবা চাইনিজ কম্পেনি অদুগী টোপ এগজিক্যুটিব অমা ফাবগী থৌদোক অসি থোক্লকপনি।

মেঙবু এয়রপোর্টতা ফাজিন্দুনা থমখিবদু হৌখিবা থাংজ নুমীৎতনি। নুমীৎ অসিমক্তদা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং চাইনাগী প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা অর্জেন্টিনাদা পাঙথোক্লিবা জি সম্মিটতা উনখি অমসুং তুংদা মখোয়গী লল্লোন-ইতিক্কী লান মতম খরা লেপ্পবগী ক্রুস অমা সাইন তৌখি।

কনাদিয়ন ওথোরিটিজনা মেঙ ফাখিবদুনা চাইনাবু খোইরাং খোইশাওহনখি অমসুং যু এস-চাইনাগী টেন্সন অমুক হেনগৎহনবা য়াবগী ফীভম অমা লাকহনখি। অঙনবগী রিপোর্টশিংনা মহাকপু ফারিবদু ইরানগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং থুগাইহন্বা য়াই হায়না চিংনবদগী যু এসনা থিজিনবগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। হিরম অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা যু এস নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোল্টনদা হংবদা কম্মেন্ট পীখিদে। মদুগী মহুত্তা মহাক্কা হায়খি মদুদি, মহৌশানা চাইনিজ ফার্মশিংগী বিজিনেস প্রেক্টিসশিং অমসুং গবর্ণমেন্টকী মশাগুম্মা চথরিবা মখোয়গী ওপরেসনশিং য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওই।

ৱারে অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা টেলিকম্যুনিকেসন্স ইক্বিপমেন্ট অমসুং সার্ভিসেস প্রোভাইদরশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং হন্দক্তা এপ্পলদগী হেন্দুনা সেমসংগী হেক মথংদা অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা স্মার্টফোন মেকর তাখি। মেঙ ৱানঝৌ অসিগুম্বা কম্পেনি অসিগী চীফ ফাইনান্সিএল ওফিসরনি লোয়ননা কম্পেনি অসিবু হৌদোকখিবা মীওইগী মচানুপীনি। মেঙগী মথক্তা শিরিবা মরালশিংগী অকুপ্পশিং খঙবা ঙমদ্রি। কেস অদুগী ৱারী ফোঙবা থিংবীনবা মহাক্কা কোর্টতা হায়জবদগী কনাদাগী জজ অদুনা য়াবীখিবনি। মহাকপু ফারিবদু কনাদিয়ন ওথোরিটিশিংনা মহাক্কা কোর্ট কাখিবা অহানবা নুমীৎ যুমশকৈশা ফাওবদি ফোঙদোকখিদে।

মোনত্রিএলদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ত্রুদোনা হায়, ৱাৱেগী চীফ ফাইনান্সিএল ওফিসর ফাবগী ৱাফম অদু নুমীৎ খরনি মাঙওইননা মহাক্কী গবর্ণমেন্টদা খঙহল্লকখি, তৌইগুম্বসুং মদুদা মহাক্কী গবর্ণমেন্টনা থৌদাং অমত্তা লৌবা লৈতে। কনাদা অসি মনিং তম্বা জুদিসরি লৈজবা লৈবাক অমনি হায়না ত্রুদোনা মখা তাখি।

নোংচুপলোমগী লৈবাক খরনা কিরিবদি বৈজিংনা ৱাৱেগী খুথাংদা মঙাশুবা জেনরেসন (৫ জি) মোবাইল অমসুং অতৈ কম্যুনিকেসন্স নেটৱার্কশিংগী কান্নবা লৌখ্রগনি অমসুং লৈবাক অসিগী অরোনবা পাউ লৌবা ঙম্বগী কেপাসিটি হেনগৎখ্রগনি হায়বসিনি। অমরোমদা কম্পেনি অসিনদি গবর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম অসি য়াদ্রি।

চাইনাদা কা-হেন্না ঈংবগী ফীভম লৈবদগী অশাবা ঈশিং উন ওল্লে

বৈজিং, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
চাইনাগী অৱাংথংবা সিটি মোহেদা দিসেম্বর ৬ তা টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রী মাইনস ৪৩.৫ দা হায়থখিবগা লোয়ননা য়াম্না তাঙনা থোকপা মওংদা উনগী লৈচিল থারে হায়না চাইনিজ মীদিয়ানা ফোঙদোক্লি।

সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টকী পাউনা হায়, লৈবাকপোকপা নুমীৎতা টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রী মাইনস ৪১.১, যুমশকৈশা নুমীৎতা মাইনস ৪২.১ অমসুং শগোলশেন নুমীৎতা মাইনস ৪৩.৫ দা হায়থখি হায়না মোহেগী ওথোরিটিনা লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা অৱাংথংবা সিটি অদুদা ঈংশিল্লকপগী ফীভম অমা লাক্লুনা টেম্পরেচরগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ১২ অমসুং ২০ গী মরক্তা হায়থরগা লৈখিবনি। মতুং তারকপদা ওথোরিটিনা তঙাইফন্দনা ইহান হানবা ওইনা ঈংবগী ফীভমগা মরী লৈননা সিটি অদুদা রেদ ৱার্নিং ইস্যু তৌখি। হৈলোংজিয়ার মিটিওরোলোজিকেল ব্যুরোনসু ষ্টেট অপুম্বদুদা ঈংবগী ফীভমগা মরী লৈননা ওরেঞ্জ ৱার্নিং থোকখি।

মীৎনা উবা ঙম্বগী চাং মিটর ১০০ দগী হন্থখি। তৌইগুম্বসুং ৱেদরগী ফীভম ফৎত্রবসু লমকোয়বা মীওই খরদি থৌনা হনখিদে। মখোয়না মেটিওরোলোজিকেল ফিনোমিনন অমা ওইরিবা উনগী লৈচিল য়েংনবা মখোয়গী লৈফমশিংদগী মপান্দা থোক্লখি। সোসল মীদিয়াদা থাগৎনরকপা ভিদিওশিংদা মীশিংনা ঈংখ্রবা নুংশিৎ মরক্তা ঈশিং চাইবদা খুদক্তা উন ওনবগী শক্তমশিং উবা ফংখি।

উনগী লৈচিল থাবা হায়বসি মালেমগী খ্বাইদগী ঈংবা লমদমশিং খক্তদা থোকই। নুংশিৎতা য়াওবা অপীকপা ঈশিং মরিকশিংনা মহিগী ফীভমদা লৈবদা টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রী মাইনস ৪০ ফাওবা নেমথখিবদগী ফীভম অদু লাকপনি। মদু নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং ঈনিল নৎত্রগা অকুপ্পা ঈশিং মরিকশিংনা ঈংলকপগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী মাইনস ৩০ গী চাং য়ৌরকপা মতমদা উন মকুপশিং ওল্লকপদগী থোক্লিবনি। মোহে অসি চাইনাগী অৱাং ইথং থংবা সিটিনি অমসুং মফম অদুগী টেম্পরেচর চহী অমগী মনুংদা চাংচৎতা থা তরেৎতি উন ওনবা ঙম্বগী চাংগী মখাদা নেম্না লৈ। অসিগুম্বা ফিনোমিনন অসি অক্টির্ক অমসুং এন্টার্ক্টির্কতা চাং নাইনা উনরবসু অলাস্কা অমসুং নোরদর্ন রসিয়াগী লমদমশিং য়াওনা খ্বাইদগী অৱাংথংবা অমসুং মখাথংবা লেটিট্যুদশিংদসু থোকপা য়াই।

সাউথ অফ্রিকাদা নুপা অমা মীয়াম্না হাৎখ্রে

প্রিটোরিয়া, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
সাউথ অফ্রিকাগী অলেগজেন্দ্রা টাউনদা মৈহৌ লাংপোক থোকহনখিবা মীশকনি হায়না চিংনবা নুপা অমা মীয়াম্না হাৎখ্রে হায়রি।

নুপা অদু শগোলশেনগী নুংথিলদা খাংপোকশঙগুম্বা যুম ময়াম অমা মৈ চাক্লক্লবা মতুংদা হোস্পিটালদা পুখৎপদা মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদবদগী শিখিবনি। মৈ চাকপা অদুদা যুম মচা ৫০০ হেন্না তাঙ্গৈই ওন্দুনা মীওই চা কয়া ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে হায়রি। হৌজিক ফাওবদা মৈহৌ লাংপোক অদুগী মরম পুলিসনা খঙবা ঙমদ্রি। বি বি সীগী পুমজা ফিহ্লানিনা হায়, ক্রাইম য়াম্না ৱাংবা লায়রবা মফমশিংদা ভিজিলেন্টিশিংনা মী হাৎপগী থৌদোক তোয়না থোকই অমসুং মীয়াম্না পুলিসকী থবক থৌওংশিংদা পেন্নদে।

মী কুংনা তাবা টাউন অমা ওইরিবা অলেগজেন্দ্রা জোহান্নসবর্গ সিটিগী অৱাংদা লৈ। অফ্রিকাগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা স্কৱার মাইলনি হায়নবা সেন্দতোনগা তায়ননা লৈরবসু মফম অদুদা লায়রবা অমসুং থবক ফংদবগী চাং ৱাংই হায়রি।

রুৱেন্দাগী কোর্টনা শক্নাইরবা ওপোজিসন লিদর মরাল লৈতে হায়না লাউথোকখ্রে

কিগালি, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
মতম অমদা রুৱেনদাগী প্রসিদেন্টগী মীখলদা মীরেপ ওইনিংবগী ৱাখল চেনখিবা মশাগী চহী ৩৭ শুরবী হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট দাইএনা রৱিগারা নমথাক তৌবা অমসুং লোগী মায়োক্তা ঈরাং থোকহন্নবা শিনখিবগী মরাল লৈতে হায়না কোর্টনা লাউথোকখ্রে। ৱায়েল অদু রুৱেন্দান কেপিটেল কিগালিগী হায় কোর্টনা ঙরাং পীখিবনি।

ঈরাং হৌহন্নবা শিনবগী অমসুং কাঙলুপ নাইবা থৌওংশিং চথবগী মরালশিং মায়োক্লন্দুনা কোর্টতা লাকখিবা রৱিগারাগী মমা এদলিনবুসু কোর্ট অদুনা মরাল অমত্তা লৈতে হায়না লাউথোকখ্রে হায়রি। প্রোসিক্যুসননা শিরিবা মরালশিং যুম্ফম য়াওরমদ্রে অমদি দাইএনা রৱিগারা অমসুং এদলিন রৱিগারা মরাল অমত্তা লৈরমদ্রে হায়না জজ অহুমগী ৱায়েল অদুদা পনখি। মসি লোকেল ন্যুজ ৱেবসাইট ইষ্ট অফ্রিকানগী পাউনা হায়বনি।

রৱিগারা মমা-মচাদা ৱায়েল অদুদা হরাওরবা ইমুংগী মওইশিং অমসুং মখোয়বু শৌগৎপশিংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি। মখোয়না কোর্টরুমদা ঈশৈ শকখি অমসুং মমা-মচাসু নোকখি। কোর্টনা ৱায়েল পীদ্রিঙৈগী মমাঙদা রৱিগারানা সী এন এনদা হায়খি মদুদি, শেমজিন শাজিনবা মরাল কয়া শিরিবদুদা কোর্টনা মহাকপু শোয়দনা মরাল লৈতে হায়না লাউথোরক্কনি হায়না মহাক্কা থাজে। তৌইগুম্বসুং মহাক অরাকপা ফীভম খুদিংমক থেংননবা শেম-শাদুনা লৈ। মহাক্ক খঙলিবদি মহাক মরাল লৈতে হায়বসিদনি।

যু এস কোংগ্রেসকী মেম্বর গ্রুপ অমনা মখোয়দা মরাল শিবা তোক্লবা দিমান্দ তৌবা য়াওনা শগোলশেন নুমীৎকী হিয়ারিং অদুগী মাঙজৌননা মালেমনা রৱিগারা মমা-মচা থাদোক্লবগী প্রেসর কনখৎখিবনি। শগোলশেন নুমীৎতা রুৱেন্দা মিনিষ্ট্রি ওফ জষ্টিসকী ৱেবসাইটতা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্টর ওফ জষ্টিস অমসুং এটোর্নি জেনরেলনা হায়, দাইএনা রৱিগারা অমসুং এদলিন রৱিগারাগী কেসতা কোর্টনা পীবা ৱায়েল গবর্ণমেন্টনা ঈকায় খুম্নৈ। মখোয়না ওইরক্কদবশিং কুপ্পা খন্নরগনি। মপানগী এক্টরশিংনা মরম চাদনা রুৱেন্দাগী জুদিসল প্রোসেসশিংদা ঈথিল পীনবা হোৎনবশিংবুদি ঐখোয়না কন্দেম তৌই। জুদিসরিবু ঈকায় খুম্নদুনা অমসুং মীয়ামদা অশোয় অঙাম থোক্তনবগীদমক ঐখোয়গী লোশিং চৎনহন্নবা মখা তানা কন্না হোৎনগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

প্রোটেষ্টরশিংগী ঈরাং থোক্লক্কনি কিবদগী লমকোয়বশিংনা পাম্নবা পেরিসকী মফম কয়া থিংজিল্লগনি

পেরিস, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
গবর্ণমেন্টকী মায়োক্তা য়েলো ভেষ্ট প্রোটেষ্টরশিংনা লম্বীশিংদা ঈরাং থোকহল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈরিঙৈ চৈরক্তা টুরিষ্টশিংনা পাম্নবা পেরিসকী মফমশিং থাংজ নুমীৎতা থিংজিল্লগনি হায়রি।

ফ্রান্স পুম্বদা পুলিস ওফিসর ৮৯,০০০ দ্যুটি তৌহনগনি অমসুং আরমর্দ ভেহিকলশিং কেপিটেল পেরিসতা দিপ্লোই তৌগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর এদুৱার্দ ফিলিপনা লাউথোকখি। পুলিসনা পেরিসকী চেম্পস এলীসিজতা লৈবা দুকানশিং অমসুং রেষ্টুরেন্টশিং থোঙ লোন্নবা খঙহনখ্রে। নুমীৎ অদুদা ম্যুজিয়ম খরসু লোনগনি।

হৌখিবা থাংজদা পেরিসতা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবা মীয়ামগী ঈরাং থোকখি। গবর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ঈরাং হৌরকফম ওইরিবা বজেটতা মীয়াম্না পাম্নদবা ফ্যুএল টেক্স হেনগৎপা তোক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং গবর্ণমেন্টদা লৈরিবা মীয়ামগী পেন্দবশিং হেন্না চাউথোরকখি অমসুং অতৈ ইস্যুশিংগী মতাংদা প্রোটেষ্ট তৌনরকখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ন্যুজ এজেন্সী অমদা হায়, ফার রাইট অমসুং ফার লেফ্ট অনীমক্কী এক্টিভিষ্টশিংনা কেপিটেলদা পুল্লপ পুনমিন্ননবা থৌরাং তৌখিবগা লোয়ননা থাংজ নুমীৎতা ঈরাং শোয়দনা থোক্লগনি হায়বগী ৱাখলদা ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌরে।

টি ভি চেনেল টি এফ আইগী ইন্টর্ভিয়ু অমদা ফিলিপনা হায়, থোক্লক্কদৌরিবা ঈরাংদুগী য়েংদুনা পেরিসতা পুলিস পর্সনেল ৮,০০০ অমসুং আরমর্দ ভেহিকল দজন কয়া দিপ্লোই তৌরগনি। মহাক্ক মীয়ামদা ঈং-চিক্লা লৈনবা আপিল তৌবগা লোয়ননা হায়খি মদুদি, থেংনগদৌরিবা মীয়াম অদু চুম্নগী প্রোটেষ্ট তৌবদা নত্তনা পোৎচৈ থুগাইরক্কনি অদুনা ঐখোয়না মখোয়গী অদুগুম্বা থৌওংশিং লাকশিনবা চঙই।

মদুগী মমাঙদা ফিলিপনা প্রোটেষ্টরশিংগী অপাম্বশিং য়ারিবমখৈ পীথোক্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীবগা লোয়ননা সিনেটতা অৱামল খ্বাইদগী নেম্না পীবা শিন্নীশিংবু মতেং পাংনবা অনৌবা থৌরাং কয়া পায়খৎপগী ৱাফম গবর্ণমেন্টনা য়ানিংই হায়খি।

হৌখিবা চয়োলদা প্রোটেষ্টরশিংনা অর্ক দে ত্রিওম্ফদা অকায় অতোয় থোকহনখ্রবা মতুংদা পেরিসকী ফাওরবা লেন্দমার্কশিংবু ঙাক শেনবগী অহেনবা থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌরে হায়না সিটিগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াদা পুলিস অমদি সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংবু এনক্রিপটেদ মেসেজশিং পাহল্লগনি

কানবেরা, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
টেক্নোলোজিগী কম্পেনিশিংবু পুলিস অমসুং সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংদা এনক্রিপ্ট তৌবা মেসেজশিং নমদুনা শীজিন্নহনগদবা ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইরবা লোশিং ওষ্ট্রেলিয়ানা পাস তৌখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ন গবর্ণমেন্টনা হায়রি মদুদি, মালেমগী অহানবা ওইরিবা লোশিং অদু টেররিজম অমসুং ক্রাইম থেংনবদা মতেং ওইনবা চৎনহনবগী তঙাইফদবা লৈ। অমরোমদা, ক্রিটিকশিংনদি লোশিং অদুনা যুজরশিংগী সিক্যুরিটি অমসুং প্রাইভেসিদা অকায়বা পীবা য়াওনা মখল মখা কয়াগী খুদোংচাদবশিং থোকহল্লকই হায়না ফোঙদোক্লরি। লোশিং অদু চহী অসিগী ওইনা পার্লিয়ামেন্টকী লোইশিল্লকপা শরুক্তা পাস তৌগদবনি।

ওপোজিসন লেবরনা হায়, খৃষ্টমাসকী মতমদা ওষ্ট্রেলিয়নশিংবু ঙাক শেনবদা মতেং ওইনবনি হায়দুনা লোশিং অদু পামদা পামদনা শৌগৎখিবনি, তৌইগুম্বসুং লোশিং অদু চৎনরকপা মতমদা অকায়বা লাক্কদবশিংগী মতাংদা মখোয়না য়েংশিনফম থোকপা লৈ।

সাইবর- সিক্যুরিটি এক্সপার্টশিংনা লোশিং অদুনা ফেসবুক অমসুং এপলগুম্বা কম্পেনিশিংগী অশোনবা পোইন্ট অমা থোকহল্লকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে। ওষ্ট্রেলিয়াদা সার্ভিস প্রোভাইদরশিংনা পুলিসতা তঙাইফদনা সস্পেক্ট অদুনা ইখিবশিং খঙহন্দবা য়াদবগী লোশিং হান্নদগী চৎনদুনা লৈ। মসি সার্ভিস প্রোভাইদর অমনা মখোয়বু যুজর অমগী মেসেজ উবা ঙমহনগদবা এনক্রিপসনগী মওং অমা শীজিন্নরম্লবদি হান্নদগী হৌনা ওইথোক্লম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং হন্দক চহী খরা অসিদা ৱাটচএপ, সিগনেল অমসুং অতৈ সার্ভিসশিংনা এন্দ-টু-এন্দ এনক্রিপসন হায়না খঙনবা সিক্যুরিটিগী অহেনবা লোয়র অমা হাপচিনখিবা লৈখ্রে। এন্দ-টু-এন্দ এনক্রিপসননা মেসেজ থারিবদুগা ফংলিবদুগদং মেসেজ অদু য়েংবা য়াল্লি। অসুম্না সার্ভিস প্রোভাইদরনা মদুবু খঙবা ঙমহন্দে। ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং অতৈ লৈবাক কয়ানা হায়রি মদুদি, টেররিষ্টশিং অমসুং ক্রিমিনেলশিংনা টেক্নোলোজি অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মখোয়দা সর্ভেলেন্স চথবা ঙমহন্দে। মদু চাইনা, রসিয়া অমসুং টর্কিদা চৎনরিবা লোশিংগদি খেন্নৈ। লৈবাক অহুম অসিদদি এন্দ-টু-এন্দ এনক্রিপসন য়াওবা সার্ভিসশিং অথিংবা থম্মী।

ওষ্ট্রেলিয়াগী লোগী মখাদা পুলিসনা কম্পেনিশিংবু যুজরদা খঙহন্দনা পুলিসপু এনক্রিপটেদ মেসেজশিং শীজিন্নবা য়াহনগদবা টেক্নিকেল ফঙ্কসন অমা নমদুনা পুথোকহনবা ঙম্মী।

হমাসকী থৌওং কন্দেম তৌবা ভোট মায় পাকখিদ্রে

ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
লালহৌবা গ্রুপ হমাসনা ইজরেলদা রোকেট কয়ামরুম কাপশিনখিবগী থৌদোকপু কন্দেম তৌবা যু এসনা পুথোকপা রিজোল্যুসন অমা যু এন জেনরেল এসেমব্লীদা পাস তৌনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রে।

রিজোল্যুসন অদু মেম্বর ৫৭ কী মায়োক্তা ৮৭ না শৌগৎখি অদুগা ৩৩ না এবসেন্ট ওইখি। তৌইগুম্বসুং পাস তৌবদা তঙাইফদ্রিবা শরুক অহুম থোকপগী অনীগী চাংদি য়ৌবা ঙমখিদে।

অসিগুম্বা রিজোল্যুসন অসিনা পুৱারীগী ওইবা অরানবা অমা চুমথোক্কনি, মরমদি রোকেট এটেকশিংদুগী মতাংদা যু এনগী মায়কৈদগী কন্দেম তৌবা লৈখিদে হায়না যু এসকী এনভোই নিক্কি হেলিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, হমাসকী স্পোক্সমেন অমনা রিজোল্যুসন মায়থিখিবদু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনদা খুবাক্ল থাবগা মান্নে হায়না ফোঙদোকখ্রে। ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটন্যাহুনা হায়, রিজোল্যুসন অদু মেম্বর শরুক অহুম থোকপগী অনী য়ৌদনা শৌগৎখিবা ওইরবসু মদুনা হমাসকী মায়োক্তা লৈবা লৈবাকশিং য়াম্নী হায়বসি অহানবা ওইনা উৎলি। যু এনগী রিজোল্যুসনশিং পোলিটিকেল্লগী ওইনা মরুওইরবসু লৈবাকশিংনা শৌগৎফম থোকই হায়বদি লৈতে।

রিজোল্যুসন অদু লৈবাক ১৯৩ গী এসেমব্লীনা অহানবা ওইনা খন্নখিবা হমাসপু কন্দেম তৌবা ৱারোলনি। হমাস নৎত্রগা মসিগী মিলিটরি ৱিংবু ইজরেল, যুএস, ঈয়ু অমসুং যু কে লোয়ননা অতৈ পৱার কয়ানা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসননি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। হমাসপু শৌগৎপশিংনা গ্রুপ অসিবু হৌখিবা ২০০৬ তা পাঙথোকখিবা মীখলদা মায় পাক্লুনা পৱার পায়রকখিবা লোনা য়াবা রেজিষ্টেন্স মুভমেন্ট অমনি হায়না লৌনরি। রিজোল্যুসন অদুবু ভোট লৌনদ্রিঙৈগী মমাঙদা চহী অসিনা লোইরকপদা মফম থাদোকখিগদবা নিক্কি হেলিনা অরব লৈবাকশিংগী মীহুৎশিংনা ইজরেলবু হঙ্গোই তুক্কচ্ছবদগী টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমবু শৌগৎকদৌরিবরা হায়না হংখি।

রসিয়া চেন্নবগী মতাংদা থিজিনবদা অপনবা পীখিবগী অকুপ্পশিং ফেদরেল কোর্টতা পীশিল্লগনি

ৱাশিংতন, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
রসিয়া অমসুং ট্রম্পকী ২০১৬ কী ইলেক্সন কেম্পেনগী মরক্তা লৌতুনখিবগী মওং লৈখিবরা হায়বগী মতাংদা যু এস স্পেসল কাউন্সেল রোবর্ট ম্যুলরনা থিজিল্লিবা অদুদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পগী হান্নগী তেংবাংলোয়শিংগী মরক্তগী অনীনা করম্না অপনবা পীনবা হোৎনখিবগে হায়বগী মতাংদা ইরাই নুমীৎতা অনৌবা অকুপ্পা ৱারোল খরা স্পেসল কাউন্সেলনা পীরবা য়াই হায়রি।

স্পেসল কাউন্সেল ম্যুলরনা হৌখিবা থাদা ট্রম্পকী হান্নগী কেম্পেন চেয়রমেন পোল মনাফোর্টপু প্রোসিক্যুটরশিংদা মীনম্বা ঙাঙদুনা প্লি বার্গেন এগ্রীমেন্ট অমা থুগায়খি হায়না মরাল শিখি অমসুং ওইদবা ঙাঙখিবশিংদুগী মতাংদা মহাক্কা ৱাশিংতনগী ফেদরেল কোর্ট অমদা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পীশিল্লগনি।

ম্যুলরগী দোক্যুমেন্টশিং অদুনা মানাফোর্টকী বিজিনেস দিলিংশিং নৎত্রগা মহাক্কা যুক্রেনদা লৈবা ক্রেমলিনগা মরী লৈনবশিংগা তানখিবগী মতাংদা অনৌবা ৱাফম খরা থোকহল্লক্কনি হায়না থাজনরি। স্পেসল কাউন্সেলদা অচুম্বদা ঙাঙদুনা কোওপরেসন পীরি হায়রিবা মানাফোর্টনা হৌখিবা ২০১৬ তা থা অহুম ট্রম্পকী কেম্পেন শিন-লাংখিবনি। ইরাই নুমীৎতা ম্যুলরগী ওফিস অমসুং ন্যু য়োর্ককী সাউদর্ন দিষ্ট্রিক্টকী যু এস এটোর্নিনা ট্রম্পকী হান্নগী লন্নাই উকিল মাইকল কোহেনগী চৈরাক পীবগী চেরোলসু পীখৎকনি। কোহেননা হৌখিবা ওগষ্টতা ন্যু য়োর্ককী ফেদরেল কোর্ট অমদা মহাক শেল-থুমগা মরী লৈনবা ক্রাইমশিংদা চেন্নৈ হায়বা ৱাফম য়াজখি। হৌখিবা চয়োলদা কোহেননা মহাক ম্যুলরগী কেস অমদা কোংগ্রেসতা ওইদবা ঙাঙখি হায়বা য়াজখি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 1032/SDC/IW(P) of 2018

1. Khundrakpam Iboyaima Singh S/o (L) Angouba Singh of Sagolband Heinoupok.
2. Kh. Lokendro Singh S/o (L) –do– of –do–.
3. Kh. Budha Singh S/o (L) –do– of –do–.

-Petitioners

-Vrs-

Late Khundrakpam Dhaballi Singh S/o (L) Tomba Singh of Langjing Heinoupok.

-Deceased Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

7/12/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুৎথাংদা খঙহঞ্জরি। ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ১০৪-লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নম্বর ১৩৬, ৭৮ (অরিবা), ৫৪ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৩৪৮ গী এরিয়া ০.৯৯০০০ একর, ইঙ্খোল অমসুং দাগ নং ৪২৩ গী এরিয়া ০.৭৭০০০ একর, ফৌরেল = ১.৭৬০০০ একরগী মনুংদা য়াওবা কো-পাট্টাদার নং (৪)ওইবা অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি (১), (২) অমসুং (৩) অসিনা মৃ: কো-পাট্টাদার নং (৪) মখুরাগী ফংফম থোকপা দাগ নং ৪২৩ গী এরিয়া ০.৭৭০০০ একর, ফৌরেল অসি এরিয়া লোয়নমকসি মখোয়গী মমীংদা নমা ওনশিল্লগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট্টা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: কো-পাট্টাদার নং (৪) গা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১৮/১২/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মরম অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চৎথরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
HL-P/5796/8 Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG, MANIPUR

Ref:- Mutation Case No. 439/SDC/Moirang/2017

Mrs. Chaman Bibi W/o Late Riyakat Ali of Kwakta Khuman.
-VS-
Late Riyakat Ali S/o Late Yakul Ali of Kwakta Khuman.

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Moirang, 6/12/2018

Under section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫৩/মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ... (অরিবা) অমসুং ১০৭৪ (অনৌবা) সী. এস. দাগ নং ৯১১১ এরিয়া ০.২৪ একর চাওবা লম-ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃত্তু পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎনি) গী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌবীয়ু, তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চৎথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector, *Moirang***
HL-P/3724/8

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

Ref:- Mut. Case No. 691, 692, 693/SDC/NTK/2018

Konthoujam Manikumar Singh S/o (L) K. Ibotombi Singh of Ningthoukhong Ward No. 5.

... Petitioner

-Vs-

Late Konthoujam Ibotombi Singh S/o (L) K. Mohori Singh of Ningthoukhong Ward No. 5.

... Opponent

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Ningthoukhong, the 6th Dec., 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Kha Village গী Patta No. (i) 577 (O), 147 (N) Dag No. 1190 area 2.50 acre of Phourel (ii) Patta No. 554 (O), 716 (N), C.S. Dag No. 122 area 1.18 acre Phourel and (iii) Patta No. 639 (O), 499 (N) Dag No. 1158 an area 1.36 acre of Phourel Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচানুপা (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১৪/১২/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
HL-P/2718/8 Ningthoukhong, Manipur

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

Ref:- Mut. Case No. 694/SDC/NTK/2018

1. Konthoujam Manikumar Singh S/o (L) K. Ibotombi Singh of Ningthoukhong Ward No. 5.
2. Konthoujam Birenkumar Singh S/o (L) K. Ibotombi Singh of Ningthoukhong Ward No. 5.

... Petitioners

-Vs-

Late Konthoujam Ibotombi Singh S/o (L) K. Mohori Singh of Ningthoukhong Ward No. 5.

... Opponent

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Ningthoukhong, the 6th Dec., 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Kha Village গী Patta No. 575 (O) 116 (N) C.S. Dag No. 1195 an area 2.23 acre of Phourel Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১৪/১২/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
HL-P/2718/8 Ningthoukhong, Manipur

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি

মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়ননা ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্লবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্লবা লক্কিষ্টৌন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইঙ্খোল, গাড়ী, যুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিন্থবা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েৎপা, পোৎশম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা, অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

মীয়ামগী: জ্যোতিষ মহাধাষি
JM Dr Ph. Rajendra
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Academy Road, Imphal

HL-P/5763/12/3-1Jan.